# নুপী লাল নিংশিং থৌরম পাকশন্না পাংথোক্লখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল দিসেম্বর ১২:* ঙসি মণিপুরগী মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা শিন্দুনা পাকশন্না নুপী লাল নিংশিং পালন থৌরম পাংথোক্লখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নুপীলাল কমপ্লেক্সতা পাংথোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমসুং দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না মথংশিংনা চিফ গেষ্ট অমুসং প্রসিদেন্ট ওইখি। মণিপুর সরকারগী মিনিষ্টরশিং, এমএলএশিং, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোকথোংবা কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

লৈখিদ্রবা নুপী লালদা শরুক য়াখিবা কয়াগী মফমদা চিফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা ফ্লোরেল ত্রিবুট পীদুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা হায়, মণিপুরগী নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল মালেমগী মীয়াম্না ফিদম্নিংঙাইনি। লৈবাক্কী ওইবা ইশু কয়াদা লমদম অসিগী নুপীশিংনা নুপাশিংগী মমাং থাদুনা শরুক য়াদুনা লাক্লি।

নুপীলালদা শরুক য়াখিবা হৌজিক্লা লাইওইখ্রবা ইমা ইবেলশিংনা পামজরম্বা কয়া অদু ঙসিগী মীরোলনা থবক ওইনা পাংথোক্লবা মতমখক্তদা মখোয়গী মফমদা অশেংবা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎপা ওইগনি হায়না ইবোবীনা ফোংদোকখি।

আর্ট এন্দ কলচর অমদি লমদম অসিগী ইকোনোমি ফগৎহনবদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাওই। ইমুং মনুংগী থবকশিং তৌবগা লোয়ননা মচা মশু কয়াবু মতিক চাবা মীশক ওইনবা হোৎনরি।

মণিপুরগী ইং ১৯০৪ দা থোকখিবা অহানবা নুপী লাল অমসুং ইং ১৯৩৯ দা থোকখিবা অনিশুবা নুপী লাল অনিদা শরুক য়াখিবা নুপীশিংবু ইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা চহী খুদিংগী মণিপুর সরকারনা দিসেম্বর ১২ দা নুপী লাল নিংশিং পালন পাংথোক্তুনা লাক্লি।

নুপীলাল অসিদা মণিপুরগী তুংগী মীরোলদা মুৎনায়দনা লমজিং মৈরা ওইদুনা লৈহৌরগনি। ঙসিগী মীরোলনা মতম অদুগী নুপীশিংগী মতৌ তমদুনা চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনসি হায়না ইবোবীনা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা দিপ্যুটি সিএম গাইখাঙম্না হায়, মীনা শিংনবা য়াদবা, খুৎকন পাঙ্গলবা অমদি ৱাত্ত পাদবা লমদম অমা ওইহন্নবা মণিপুরগী ঙসিগী মীরোলনা লাইওইখ্রবা ইমাশিংনা পামজরম্বা কয়া অদু থবক ওইনা পাংথোকসি।

মণিপুরী নুপীশিংগী থৌনা শিংথাবদা লোয়বা খক নায়রোই। মণিপুরী নুপীশিংনা খুন্নাই অসিগী অমদি লৈবাক্কী ওইবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা থৌদাং কয়া অসি মালেমগী মফম কয়াগী নুপীশিংদগী হেল্লি। মখোয়দা অসিগুম্বা গুন অসি চেন্দে।

মণিপুর সরকারনা ইমাশিংবু নিংশিংদুনা ঙসি ফাওবদা পালন থৌরম অসি পাংথোক্তুনা লাক্লি। থৌনা ফবা ইমাশিংনা পোক্লম্বা মচাশিংনি। ঐখোয় পুম্বদসু ইমাশিং অদুদা চেল্লম্বা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন অদু চেল্লি। ইমাশিংনা খল্লম্বা অমদি পামজরম্বা কয়া অদু থবক ওইনা পাংথোক্কনি হায়বগী ৱাশক ঙসিগী মীরোলনা লৌমীন্নবা মতম ওইরে হায়না গাইখাঙম্না ফোংদোকখি।

পালন থৌরম অদুগী লোয়শিল্লকপদা নুপী লাল মেমোরিয়েল এসোসিয়েসন অমসুং নুপী লাল এন্দ খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল সোসাইটিনা পাংথোকপা নুপী লালগী দ্রামাশিং উৎখি।

নুপী লাল পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী ষ্টেট লেভেল নুপী লাল নিংশিং লমজেল ওর্গনাইজিং কম্মিতিনা শিন্দুনা পাংথোরকপগুম ২২ শুবা ষ্টেট লেভেল নুপী লাল নিংশিং লমজেল ২০১৩ ঙসি অয়ুক নুপী লাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতগী লমজেল্লোই ৬০৩ না শরুক য়াদুনা চেনখি।

ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট নোংমৈকাপ্পম দাশিনিনা লমথাখিবা লমজেল অসি শিংজমৈ সুপর মার্কেট ফাওবা চেনখি। লমজেল অদুদা চহী ৬০ গী মথক্কী কাংলুপ্তা খোংজোমদগী থোকচোম ওংবী ইবেমহল, ৱাঙ্গোইদগী থৌদাম ওংবী একাশিনি অমসুং লিলোং চজিং চিংখোঙদগী নিংথৌজম ওংবী মেমচানা মথংশিংনা ফাষ্ট, সেকেন্দ অমসুং থার্দ তাখি।

চহী ৪৫ দগী ৫৯ ফাওবগী কাংলুপ্তুনা খাঙবোক অৱাং লৈকাইদগী সাইখোম ওংবী বিদেশিনি, হৈরোক্তগী কোম্হৌজম ওংবী ইনাওতোম্বী অমসুং হুহকপ্তগী কোম্হৌজম ওংবী স্নাতোম্বীনা মথংশিংনা ফাষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ তাখি।

চহী ৩৫ দগী ৪৪ ফাওবগী কাংলুপ্তা থিয়াম কোঞ্জিল অৱাং লৈকাইদগী হিদাম ওংবী বন্দনা, থিয়াম কোঞ্জিল অৱাং লৈকাইদগী কাঙবম ওংবী সোনিয়া অমসুং থিয়াম কোঞ্জিল মখা লৈকাইদগী তখেল্লম্বম ওংবী মেমতোম্বীনা মথংশিংনা ফাষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ তাখি।